# সোনিয়া, রাহুলগী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অরানবনি ঃ কংগ্রেস



কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি অমসুং প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৩ঃ*** নেসনলে হেরাল কেসকী মতাংদা কংগ্রেস পার্টিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা পার্টি অদুগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিদা মরাল শিবগী থবক কয়া চথরক্লি। চথরক্লিবা থৌশিল অদু অহানবা অমসুং মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনবনি। মখোয়না লুপা অমা ফাওবা ফঙখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পি চিদম্বরম অমসুং আশ্বানি কুমারনা কেস অদুগা মরী লৈনবা শেল থুম থাদোক–থাজিন তৌখিবগী মতাংদা হায়, সোনিয়া গান্ধি অমসুং রাহুল গান্ধি আইনগী মীৎয়েংদা অকায়বা লৈতে। মখোয়না শেল থুম থাদোক–থাজিনগী লমদা অরানবা তৌখিবা লৈতে। তশেংনা লুচিংবশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী কান্নবা থৌশিল পায়খৎখিবা লৈখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লুচিংবা অনীনা হিরম অসিদা ৱানিংঙাই লৈতে। মরমদি মখোয়না মখোয়গী খুদোংচাবগীদমক লুপা অমা ফাওবা লৌখিবা লৈতে হায়রি।

কুমারনা হায়, হিরম অসিদা য়েৎনবা য়াবা মরম কয়া লৈবা য়াই। কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অমসুং মরী লৈনবশিংদা মরাল কয়া শিরি। মখোয়গী মথক্তা দন্দি ফংবা য়াবা মরাল কয়া শীরি। শেল থুমগী লমদা থাদোক–থাজিন তৌখিবশিং অদু আইনগী ওইবা মীৎয়েংদা অচুম্বা লৈ। দিল্লি হায় কোর্টনা দিসেম্বর ৭ তা চথখিবা ৱায়েলদা কনাগুম্বা অমত্তবু হিরম অদুগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চথখিদে। কোর্ট অদুগী ৱায়েলগী পেরা ৩৬ তা চথরিবা কেস অদুগা মরী লৈননা কনাগুম্বা অমত্তবু মরাল লৈবনি হায়না লৌবা য়াদ্রি। প্রাইমা ফেসি ওপিনিয়নগী মতুংইন্না হিরম অদুগী মতাংদা আইন কায়না থবক তৌখিবনি হায়বশিংগী চপ চাবা রিপোর্ট ফংবা লৈত্রি।

ত্রাইয়েল কোর্ট অদুনা কেস অদু কুপ্না য়েংশিল্লি। কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট দিল্লি হায় কোর্টনা কেস অদুগা মরী লৈননা দিসেম্বর ১৯ কোর্ট অদুদা লাক্লনবা সমন তৌখি। হায় কোর্ট অদুনা হায়রিবা মীওইশিং কোর্টতা লাক্তনবা হায়জরকখিবা ৱাফমশিং য়াখিদে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কংগ্রেস পার্টিনা মমাঙ চয়োলদা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মীফম চথবা য়াখিদে। থৌওং অদু রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। কংগ্রেস পার্টিনা অপুনবগী শক্তম ইকাই খুম্মৈ লোয়ননা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

তশেংনা মীয়ামদা শেল থুম থাদোক–থাজিনগী লমদা হায়দোকপা য়াদবা কয়াসু লৈ। কংগ্রেস পার্টিনা হিরম অসিদা কুপ্না য়েংশিল্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা কম্পেনি ২৫ দাইত্ব লৈবা ওইনা উরি। অদুম ওইনমক হায়রিবা কম্পেনি ২৫ অদু আইনগী মতুংইন্না শেল থুমগী খুদোংচাবা ফংহন্দনবা থবক পায়খৎখিবসু লৈখি।

পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মরী লৈনবশিংদা এদভান্স লোন পীবগী মতাংদা অথিংবা থন্বা য়াবদু আইন্না য়াদবা অমনি। ইলেক্সন কম্মিসন্না ইং ২০১২ গী নবেম্বর থাদা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতুংইন্না হায়রিবা কাঙবুশিং অদু শক খঙদনবা থবক পায়খৎখি হায়রি।

# মুম্বাই আর্ষ্টিস অমদি মহাক্কী উকিল অনীগী অশিবা হকচাং নালা অমদগী ফংলে

***মুম্বাই, দিসেম্বর ১৩ঃ*** বরোদরাদা পোকপা মুম্বাইদা বেজ তৌবা আর্ষ্টিস হেমা উপধ্যায়া (৪৫) অমসুং মহাক্কী উকিল হরেসভামবানি (৬৫) থাংজ নুমিৎতা নোংচুপ থংবা কন্দিভালিদা হাৎলম্লে। মখোয়গী হকচাং অদু প্লাষ্টিক্না য়োমশিল্লবা মতুং কার্দবোর্দ বোক্স অমগী মনুংদা হাপচিন্দুনা নালা অমদা থাদরমখিবনি।

বমভানি মচিন মেনশিল্লমখি। মহাক্কী মখুৎ তুপ্পন্নরমখি। অশিনবা হকচাংশিং অদু বোরিভালিদা ঙরাং পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। বমভানিগী কার মাঙখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরকখিবা লৈখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কান্দিভালি পুলিস অমসুং ক্রাইম ব্রাঞ্চনা মীওই কয়া লৌখৎতুনা ৱাহং পাউহং চথখ্রে।

ক্রাইম ব্রাঞ্চনা লৈখিদ্রবী হেমাগী খায়নখ্রবী মপুরোইবা আর্ষ্টিস চিন্তন উপধ্যায়া ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চথখ্রে। হেমা জুহুদা মতোমতা লৈবনি। মহাক্কী মতেং পাঙনবা লৈবা নুপী অমনা পুলিসতা ফোঙদোরকখিবদা হেমা ইরাই নুমিৎতগী হৌনা য়ুমদা হল্লকখিদে। মহাক মাঙখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা সান্ত ক্রুজ পুলিস ষ্টেসন্দা রিপোর্ট তৌখি।

বমভানিনা মহাক্কী ইমুং মনুংদা মহাক্কী ক্লাইন্ট অমগা উননবা চৎলে হায়না ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোক্লমখি। নুমিৎ অদুদা মহাক হল্লক্তবদগী ইমুং মনুংনা এন্টোপ পুলিস ষ্টেসন্দা মাঙখ্রে হায়না কমপ্লেন তৌখি। মদুগী মতুংদা হেমা উপধ্যায়া অমসুং মহাক্কী উকিল হরেস বমভানিগী অশিবা হকচাং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা কান্দিভালিদগী ফংখিবনি হায়রি।

# পাকিষ্টানগী কুরম মার্কেটতা বোম পোকখায়বদা ১৫ শিরে, ৪০ শোক্লে

***ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ১৩ঃ*** পাকিষ্টানগী আফগানিষ্টানগা তায়নবা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা কুরামগী মী চিনবা কৈথেলদা বোম পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে। থৌদোক অদুদা ইদগা ফিরোল য়োনবা কৈথেল অদুদা পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীওই ৪০ হেন্না অশোক–অপন নংখি।



পাকিষ্টানগী কুরম কৈথেলদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা শোক্লবশিং পুথোকখিনবা হোৎনবা

থৌদোক অদুগী মতুংদা মফম অদুদা ফিরোল কয়া চায়না তাবা অমসুং অতেক–অকায় কয়া উখি হায়রি। এটেক অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনাগুম্বা কাঙলুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক পাকিষ্টানগী সিয়া মাইনোরিটিশিংনা চথবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

সিয়া অমসুং সুনি মুস্লিমশিংগী মরক্তা হিংশা থোকখ্রবা মতুং কুরামদা ইতিহাস অমা ওইনা তোখায় তানিংবশিংগী মরক্তা য়ান্নবা ৱাফম পুরকখি। মদুগী মতুং কাঙলুপ অনীগী মরক্তা লৈরম্বা উংখৎনবা নেমথখি। লমদম অদু তালিবানশিংগা শম্নবা কাঙবুশিং এক্তিভ ওইনা থবক তৌরিবা মফমনি।

পাকিষ্টান্দা সরকার অদুনা থেংনরিবা খ্বাইদগী শাথিবা ফিভমশিংদি তালিবান, ৱাজরিষ্টান এজেন্সি অমদি কুরম এক্তিভিষ্টশিংনি। লমদম অদুদা হায়রিবা লালহৌবশিং অদু থেংননবগী অকনবা থবক পায়খৎলি হায়রি।

# রুসিয়াগী ভোরোনেজ মেন্টেল হেল্থ ক্লিনিক মৈ চাকপদা ২৩ শিরে

***মোস্কো, দিসেম্বর ১৩ঃ*** রুসিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা ভোরোনেজকী মেন্টেল হেল্থ ক্লিনিক মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ লৈখিদ্রে অদুগা ২০ হেনবনা লায়কন্নখ্রে হায়না রুসিয়াগী ইমর্জেন্সি মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোরকপদা থৌদোক অদুদা মীওই ২৩ লৈখিদ্রে অদুগা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

থাংজ নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা বিল্ডিং অদুগী অয়াম্বা শরুকশিং মৈনা চাকখ্রে। শাথিবা মৈহৌ–লাংপোক্কী থৌদোক অদুনা মীওই কয়া শিহনখ্রে। থৌদোক অদুদা মাঙ–তাকখিবশিং চপ চানা খঙদোক্লবা থিগৎপগী থবক চথরি হায়রি।

ক্লিনিক অদুদা থবক তৌবা নর্স অমনা ফোঙদোরকখিবদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শ্বর ফুনবনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নখি। মীওই কয়া কা মনুংদা লৈখিবা অদু শ্বর হোনবা ৱাদনবগীদমক থোং থুগায়খি। লোয়ননা মী কনবগী থবক চথখি হায়রি।

মমাঙ চহীদা রুসিয়াদা থোকপা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবা লৈখ্রে। ইং ২০১৩ গী সেপ্টেম্বর থাদা নোভাগোরোদ লমদমদা লৈবা সাইকিয়াত্রিক হোস্পিটাল মৈ চাকপদা মীওই ৩৭ শিখিবা লৈখি। মদুদা নত্তনা ইং ২০০৯ দা মোস্কোদা লৈবা সাইকিয়াত্রিক হোস্পিটাল মৈ চাকপদা মীওই ৩৮ শিহনখি। লৈবাক অদুদা থংন–থংননা হোস্পিটাল মৈ চাকপদা মীওই কয়া শিহনখিবা লৈখি। ইং ২০০৭ তসু ক্রাসনোদর লমদমদা লৈবা হোস্পিটাল মৈ চাকপদা মীওই ৬৩ শিহনখি। মদুদা নত্তনা মোস্কোগী দ্রগ রি হেবিলিটেসন সেন্টর মৈ চাকপদা নুপী ৪৫ শিহনখিবসু লৈখি হায়রি।

# ছাটিসগরগী কোন্দাগাউন দিষ্ট্রিক্তা নেক্সেল ১৯ সরেন্দর তৌখ্রে

***রায়পুর, দিসেম্বর ১৩ঃ*** ছাটিসগরগী লালহৌবগী ইরাংনা শোকহল্লবা কোন্দাগাউন দিষ্ট্রিক্তা ওফিসার রেঙ্কতা লৈবা নেক্সেলগী কেদর অনী য়াওনা মীওই ১৯ সরেন্দর তৌরকখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবা মীওইশিং অদুনা মাউইষ্টকী ইহৌদা পেন্দবা অমসুং মখোয়গী আইদিওলোজিদা য়ানিংদবা কয়া লৈবদগী খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখিবনি হায়না কোন্দাগাউন সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জে এস ৱাটিনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা থৌদোক অমা ওইনা বিহারগী বাষ্টার লমদমদা নেক্সেলগী কাদর ২৬ খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

মাউইষ্টকী দিপ্যুটি কমান্দর মনদভী এলাইজ বালু (৩৫) অমসুং চেটানাত্য মঞ্চকী লুচিংবা ওইরম্বা জয়রাম কোরাম (৩৬) সু সরেন্দর তৌরকখিবশিংগী মনুংদা য়াওরি। মখোয় লুপা লাক্ষ ১ দগী ৩ ফাওবগী মনা পুরিবা মীওইশিংনি হায়রি।

সরেন্দর তৌরকখিবা মরুওইবা মীওইশিংগী মরক্তা নেক্সেলগী মরুওইবা থৌ পুবা মীওই কয়া য়াওরি। মখোয় কংকার অমসুং কোন্দাগাউন্দা নেক্সেলগী থবক তৌবা মীওইনি হায়রি।

সনা-সুদোকু- ৪৭৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 8 | 1 | 2 | 6 | 7 | 4 | 3 | 9 |
| 9 | 7 | 4 | 3 | 8 | 1 | 5 | 6 | 2 |
| 2 | 6 | 3 | 4 | 9 | 5 | 8 | 1 | 7 |
| 7 | 3 | 9 | 5 | 1 | 8 | 6 | 2 | 4 |
| 4 | 5 | 6 | 9 | 3 | 2 | 7 | 8 | 1 |
| 1 | 2 | 8 | 7 | 4 | 6 | 3 | 9 | 5 |
| 6 | 4 | 7 | 1 | 2 | 3 | 9 | 5 | 8 |
| 3 | 9 | 2 | 8 | 5 | 4 | 1 | 7 | 6 |
| 8 | 1 | 5 | 6 | 7 | 9 | 2 | 4 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-476**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | 4 | | | | |
| | 7 | | 5 | | | | | |
| | | | | | 2 | | | |
| 2 | | | | | | 8 | | 6 |
| | 4 | 1 | | | 5 | | 9 | |
| 3 | | 8 | | | | | | |
| | | | 9 | | | | 7 | |
| 9 | | 4 | | | 1 | | 5 | |
| | 8 | 6 | | 5 | | 2 | | |

ꯀꯤꯃꯦ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯂꯁꯤꯡꯅꯥ Regd. No. : 456/M/SR/2010 MtG BOOKS
KIME TUTORIALS
An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

| | |
|---|---|
| Day Boarding for revision class X Exam, 2016 | Classes Starting on : Dec, 2015 |
| Day Boarding for revision class XII Exam, 2016 | Classes Starting on : Dec, 2015 |
| Foundation Course for Class X 2016 | Classes Starting on : Dec, 2015 |

• Printed probable questions & answers • Regular Test series on alternate days
• Self study hour under the guidance of expert daily • Van service & Hostel facility are available
Day Boarding Timing : 10am-4pm (Refreshment will be provided)
For more details contact Office of KIME TUTORIALS

# রাজস্থান্দা আই এস শৌগৎপগী খোল্লাও লাওবা মীওই মরি ফারে

***জয়পুর, দিসেম্বর ১৩ঃ*** রাজস্থান্দা পাঙথোকখিবা রেলি অমদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট শৌগৎপা খোল্লাও লাওবা মীওই মরি ফাজিনখ্রে। ফারবা মীওইশিং অদুদি চহী ২৫ দগী ৩২ ফাওবগী মতুংদা লৈবা ফিরোজ, ৱাসিম, ৱাসিম আক্রম অমসুং মোহমদ ফাহিদনি হায়না থৌদোক অদুদা থিগৎলিবা ওফিসার গোপিচান্দনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অদুগী মলপুরা সহরদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা খোঙচৎ অমদা মীওই ৪ অদুনা আই এস শৌগৎপা খোল্লাও কয়া লাওখি হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রেলি অদুগী ভিদিও ফুটেজগী মতুংইন্না মখোয় মশক খঙদোকপা ঙমখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নবা অতোপ্পা মীওইশিংসু মশক খঙদোকপা ঙস্লে। মখোয়গী মথক্তা থিজিনবগী থবক চথরি হায়না গোপিচান্দনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং মালপুরা পুলিস ষ্টেসন্দা এফ আই আর অমা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১৫৩ (এ) গী মখাদা লৌখৎখ্রে। নুমিৎ অদুদা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসনগী মাকেটিং মেনেজর অমা ওইবা মোহমদ সিরাজউদ্দিন কৌবা মীওই অমসু আই এস কী ৱাখল্লোন সোসিয়েল মেডিয়াদা শন্দোকপগীদমক ফাগৎখি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদুনা ইরাই নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিং খোল্লাও কয়া লাওবদা নত্তনা সোসিয়েল মেডিয়াদা পাউ ফাওনরম্বা লৈ হায়রি।

# টেরোরিজমগী থবক থৌরমশিং এন দি এ সরকারনা খাঙবা ঙম্লোই ঃ রাজনাথ



*পার্লিয়ামেন্ট এটেক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং লুচিংবা কয়ানা লৈ কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎপা*

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৩ঃ*** নেসনেল দিমোক্রেটিক এলায়েন্স সরকারনা টেরোরিষ্টশিংগী থবক থৌরমশিং খাঙবা ঙমদে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা এটেক চথরকখিবা নিংশিং থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, সরকার অসিনা য়ৈখায় থিনগাইবগী থৌরমশিং খাঙবা ঙম্লোই। সরকার অসিনা লৈবাক অসিদা শাফবা অমসুং শেমগৎ–শাগৎপগী থবক পায়খৎলি। চহী ১৪ গী মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টতা এটেক চথরক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখি। লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎলি। লৈখিদ্রবশিং অদুনা লৈবাক অসিগীদমক কখোক্লম্বশিং কাওথোকপা য়ারোই। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অমসুং সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎলি। মখোয়না লৈবাক অসিগীদমক খ্বাইদগী চাওবা মওংদা কখোকখি।

ইং ২০০১ গী দিসেম্বর ১৩ দা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা মীওইশিংনা পার্লিয়ামেন্টকী কমপ্লেক্সতা চঙশিল্লক্তুনা লেপ্পা লৈতনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই কয়া শিহনখি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) কী নুপী পার্সোনেল ৫ য়াওখি। মদুদা নত্তনা পার্লিয়ামেন্টকী ৱাটসমেন ২ অমসুং ৱার্দ ষ্টাফ অনী শিহনখি লোয়ননা লৈকোলদা থবক তৌবা মীওই অমসু শিহনখি হায়রি।

# সাউদি আরাবিয়াদা অহানবা ওইনা নুপী কাউন্সিল্লর অমা মীখলদা মায় পাকখ্রে

***মেক্কা, দিসেম্বর ১৩ঃ*** সাউদি আরাবিয়াদা ভোট থাদবা য়ারবা নুপী ১৩০,০০০ লৈ। হায়রিবা মশীং অসি নুপা ভোটরশিংগা য়েংনবদদি চাং য়াম্না হন্থরবনি। লৈবাক অদুদা নুপীশিং মীখল থেংনবগী অথিংবা লৌথোকখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীখলদা নুপী অমা মায় পাকখ্রে।



*সাউদি ম্যুনিসিপাল মীখলদা মায় পাকখ্রবী সলমা বিন্ট হিজাব অল–ওতৈবীনা ভোট থাদবা*

মেক্কা প্রোভিন্সকী সিটতা সলমা বিন্ট হিজাব অল ওতৈবি মায় পাকখি। লৈবাক অদুগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিং মরুওইনা জেদা অমসুং কাটিফতসু নুপী কাউন্সিল্লরশিং মায় পাক্লকপা য়াই হায়রি।

লৈবাক অদুদা হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসি অহানবা ওইনা নুপীশিং ভোট থাদবা য়াবা অমসুং মীরেপ ওইবগী হক ফংবা মীখলনি। লৈবাক অদু নিংথৌ পানবা অমা ওইবগা লোয়ননা নুপীশিং ভোট থাদবা অমসুং মীরেপ ওইবগী অয়াবা মমাঙদগী লৈরকখিবনি। অদুম ওইনমক হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদদি ভোট থাদবা অমসুং মীরেপ ওইবগী তাঞ্জা ফংলি। লৈবাক অদুগী ওইনা পাঙথোক্লিবা ম্যুনিসিপাল মীখলদা নুপী ৯৭৮ মীরেপ ওইননবা থাগৎলকখি। নাকল অমরোমদা মীখল অদুগীদমক নুপা মীরেপ ৫৯৩৮ লাকখি হায়রি।

থাংজ নুমিৎকী ভোট থাদনবা অদুদা লৈবাক অদুগী নুপী ১,৩০,০০০ ভোট থাদনবগী হক ফংখি। নুপী মীরেপশিংনা হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা হকথেংননা নুপাশিংদা ভোট খোম্বা য়াহনখিদে। অদুম ওইনমক ভোট থাদনবগী চাংদি ৱাংখি হায়রি।

সলমা মেক্কা প্রোভিন্সতা মায় পাকখ্রে হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট ওসামা অল–বারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে। কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা নুপা মীরেপ ৭ অমসুং নুপী মীরেপ ২ গা লম্বা তৌনখি হায়রি। নিংথৌ পানবা সাউদিদা মীখল পাঙথোকপা হায়বদু খ্বাইদগী তাঙবা অমনি। লৈবাক অদুদা ইং ১৯৬৫ দগী ইং ২০০৫ ফাওবগী শাংলবা চহী ৪০ গী মতম মীখল পাঙথোক্তুনা লাকখ্রবনি।

নুপীশিংবু মীখলদা শরুক য়াহনবগী অয়াবা লৈখিদ্রবা নিংথৌ আব্দুল্লানা মহাক্কী ৱায়েল থৌদা মনুংদা পীখি। আব্দুলানা জনুৱারী থাদা লৈখিদ্রিঙৈ মমাঙদা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা পাউতাক পীবগী কাউন্সিল সুরা কাউন্সিলদা নুপী ৩০ হাপ্লমখি। থাংজ নুমিৎতা লৈবাক অদুগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ২,১০০ গী মীখল পাঙথোকখি হায়রি।

# বুরুন্দি ৱাথোক ঃ লাম্মীনা মীওই ৮৭ হিংশা মনুংদা হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি

***বুজুম্বুরা, দিসেম্বর ১৩ঃ*** ইরাই নুমিৎতা বুরুন্দিগী মিলিটরি বেজ অহুমদা এটেক চথরকখ্রবা মতুং লাম্মীনা মীওই ৮৭ হাৎখ্রে হায়না লাম্মীগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মীওই ৮ সেক্যুরিটিগী মীওইশিংনি। থৌদোক অদুদা মীওই ৪৯ সু ফাগৎখ্রে হায়না কর্নেল গাসপার্দনা ফোঙদোরক্লি।

সহর অদুদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা সহর অদুগী তোঙান–তোঙানবা লম্বীশিংদগী অশিবা হকচাং ৩৪ ফংখি। পুলিসনা লমন খুম্বা ওইনা থবক চথখি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা লাম্মীশিংগী মীওইশিং য়াওরব্রা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়খি।

লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট পেরিকুরুনজিজানা অহুম্নক শুবা ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা মীখলদা য়েৎননিংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাক্লকখ্রবা মতুং য়ানিংদবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখি। সহর অদুগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদগী অশিবা হকচাং কয়া ফংখি। লমদম অদুদা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈতাদবা ফিভম অমা ওইরকখি। খুৎলাই পায়বা লাম্মীশিংগা কয়ারক হন্না খুৎ থোক্লখিবা লৈখ্রে। ইরাই নুমিৎতা লাম্মীগী বেজ ৩ দা লেপ্তুনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখিবা লৈখি। লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয়গী য়ুমশিংগী অকোয়বদা লাম্মীশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈখি। থাংজ নুমিৎকী অকোয়বদা সহর অদুগী লম্বী কয়াদা অশিবা হকচাং কয়া তাদুনা লৈবা উখি। অশিবা হকচাং খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফংখিবা মফমদি ন্যাকাবিগা দিষ্ট্রিক্টনি হায়রি। হায়রিবা মফম অদু মুসাগাগা তায়নবা মফমনি।

লৈবাক অদুদা থোকপা হিংশাগী থৌদোক্তা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মী শিখিবা মফম বুজুম্বুরানা ওইরে। অহিং অদুদা চপ চানা মীওই কয়া লৈখিদ্রবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। কর্নেল গাসপার্দকী মতুংইন্না হিংশাগী থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা য়েক্লবা ৭৯ হাৎখ্রে অদুগা ৪৫ ফারে। লোয়ননা খুৎলাই ৯৭ ফংখ্রে। লাম্মীগী মায়কৈদা মীওই ২১ লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

# সিরিয়াদা এয়ার ষ্ট্রাইক চথবদা ২৮ শিরে



***দমাস্কস, দিসেম্বর ১৩ঃ*** সিরিয়াগী কোনুং দমাস্কসকী নোংপোক থংবা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা মফমদা এয়ার ষ্ট্রাইক চথবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ লৈখিদ্রে হায়না সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং গ্রুপ্না ফোঙদোরক্লি।

পাউগী লিখুন অসিগী মতুংইন্না সিরিয়াগী ঘৌতাগী মনুং চনবা দৌমা অমসুং সকবা সহরদা এয়ার ষ্ট্রাইক চথবদা মীওইশিং অদু লৈখিদবনি। নাকল অমরোমদা দমাস্কসকী রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈবা মফমশিংদগী মোটর কাপ্লকপদা য়ামবদ্রবদা মীওই ৩ লৈখিদ্রে অদুগা ৩০ না অশোক–অপন নংখ্রে হায়রি।

লৈবাক অদুদা চহী ৫ চুপ্পা লাল থোকপনা মরম ওইরগা মীওই ২,৫০,০০০ লাঞ্জেন্নহনখ্রে। দমাস্কসকী নোংপোক থংবা শরুক্তা অকনবা লাল শোক্লরি।

ওবজার্বেটরিনা হায়, লমদম অদুদা থোক্লিবা থৌদোকশিং খঙদোক্লবা হোৎনরি। নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা এয়ার ষ্ট্রাইক চথবা অমসুং রোকেন্দ কাপশিল্লকপগী থৌদোক কয়া থোক্লি। লমদম অদুদা থোক্লিবা মীশি–মীনাগী থৌদোক অদু সিরিয়াগী লাম্মীশিং নৎত্রগা রুসিয়াগী প্লেনশিংনা মিসাইল কাপশিনবদগী থোকখিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ওবজার্বেটরিগী মকোক রামি আব্দেল রহমন্না ফোঙদোরক্লি। কাপশিল্লকখিবা মিসাইল অমনা দৌমাদা লৈবা স্কুল অমগী মনাক্তা পোকখায়বদগী য়ামদ্রবদা ওজা অমা অমসুং মহৈরোই অনী শিহনখ্রে হায়রি।